# ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮দা মণিপুরনা গোল্ড ৮০ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাদুনা লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ
নোর্থ ইষ্টতা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২৪দগী চত্থরকপা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক ২০১৮দা মণিপুরনা গোল্ড ৮০, সিলভর ৪৮ অমদি ব্রোঞ্জ ৩১ পুন্না মেডল ১৫৯ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তারগা লোইশিনখিবগা লোয়নননা সেকেন্দ নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস মথং চহি ২০১৯ দা অরুনাচলদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮না তোঙান তোঙানবা মশান্না ১২দা অথোই অহেন তান্নদুনা চত্থরকখিবা এনই ওলেম্পিক গেমস অসিদা অসামনা গোল্ড ৪৬, সিলভর ৫৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৪১ পুন্না মেডল ১৪০ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং অরুনাচল প্রদেশনা গোল্ড ১৮, সিলভর ২০ অমদি ব্রোঞ্জ ৩৮ পুন্না মেডল ৭৬ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎকী অয়ুক্তা ইএসয়ু গ্রাউন্দ ৱাঙ্খেদা শান্নখিবা নুপীগী *ফুটবোল* ফাইনেলদা মণিপুরনা অসামবু গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল ১–১ লৈবদগী রেফরিনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্ক কাওনহনবদা মণিপুরনা গোল ৫ অমদি অসামনা গোল ৪ খকক্তমক চনদুনা মণিপুরনা গোল ৬–৫ তা মায়থিবা পীখিবনি।

মশান্না অসিগী তর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা অসামনা মণিপুরবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অসামগী গোলশিং অদু চয়ারানিনা গোল ২ অমদি সিবরানা জালেনা গোল ১ চনখিবনি।

*বোক্সিং* মশান্নগী নুপাগী কেজি ৪৬ তগী ৪৯ গীদা মীজোরামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি অরুনাচল অমসুং মেঘালায়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৪৯ দগী ৫২গীদা অসামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি মেঘালায়া অমসুং অরুনাচলনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৫২ দগী ৫৬ কীদা অসামনা গোল্ড, মীজোরামনা সিলভর অমদি অরুনাচল অমদি মেঘালায়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৫৬ তগী ৬০দা নাগালেন্দনা গোল্ড, অরুনাচলনা সিলভর অমদি মণিপুর অমসুং মেঘালায়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৬০ দগী ৬৪ গীদা মীজোরামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি অরুনাচল অমসুং নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৬৪ দগী ৬৯গীদা মণিপুরনা গোল্ড, নাগালেন্দনা সিলভর অমদি অসাম অমসুং মীজোরামনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৬৯ দগী ৭৫ কীদা মণিপুরনা গোল্ড, অসামনা সিলভর অমদি মেঘালায়া অমদি সিক্কিমনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৭৫ তগী ৮১ গীদা মেঘালায়ানা গোল্ড, নাগালেন্দনা সিলভর অমদি মণিপুর অমসুং মীজোরামনা ব্রোঞ্জ লৌখি।



ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এনই ওলেম্পিক গেমস লোইশিনবগী থৌরমদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, এদুকেসন মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা টিঐচ রাধেশ্যাম অমদি রিভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমদুদা দিপ্যুটি সি এম না হায়– মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস অসিনা নোর্থ ইষ্টতা লৈমিন্নরিবা ষ্টেটশিংবু হান্নদগী হেন্না অচেৎপা মরি অমা থম্বা ঙম্লগনি। নোর্থ ইষ্ট রিজনদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎমিন্নসি হায়রবদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চংই। মহাক্না মখাতানা হায়– ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিংগী হৈথোই –শিংথোইববু মশক খঙবীদুনা মখোয়বু ইন্টরনেসনেল থাক্তা পুখৎনবা ঐখোয় পুন্না হোৎন্নমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শান্নরোইশিং, রিজন অসিগী ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মীওইশিং অমদি শান্নববু থৱায় য়াওজবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস অসিদা য়ুম্বু মণিপুরনা *অর্চরি* মশান্নদা গোল্ড ১২, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৩, *বেদমিন্টন* মশান্নদা গোল্ড ৪, ব্রোঞ্জ ১, *বোক্সিং* মশান্নদা গোল্ড ৮, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ২, *জুদো* মশান্নদা গোল্ড ৫, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ১, *বুসু* মশান্নদা গোল্ড ২৮, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ২, *ৱেঠ লিফটিং* মশান্নদা গোল্ড ৯, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১ ফঙদুনা মশান্না তরুক অসিগী টিম চেম্পিয়ন ওইখি।



| Rank | Participating State | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Manipur | 80 | 48 | 31 | 159 |
| 2 | Assam | 46 | 53 | 41 | 140 |
| 3 | Arunachal Pradesh | 18 | 20 | 38 | 76 |
| 4 | Mizoram | 08 | 15 | 29 | 52 |
| 5 | Nagaland | 06 | 09 | 26 | 41 |
| 6 | Meghalaya | 03 | 08 | 29 | 40 |
| 7 | Sikkim | 01 | 06 | 18 | 25 |
| 8 | Tripura | 00 | 03 | 17 | 20 |

## ফার্ষ্ট ত্রাইবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৭ এ–সাইদ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ
লিশমলোক স্পোর্টস য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩দগী টিম ১২না গ্রূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাঙ্খে কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লৈশামলোক ভিলেজদা চত্থরক্লিবা ফার্ষ্ট ত্রাইবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৭ এ–সাইদ ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে। লিশমলোক (বি) না টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ফাইনেল মেটচতা লিশমলোক (বি) অমদি লিশামলোক (সি) শান্নখিবদা লিশামলোক (বি) না গোল ৩–০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা নোংমাইচিং কন্সষ্টিট্যুয়েন্সি গী এদিসি মেম্বর ডাঃ দোমিনিক, সোসিয়েল ৱার্কর দোমেন অমদি এদ্দিসনেল এসপি থৌবাল ব্রুংপম কসর শরুক য়াদুনা শান্নরোইশিং দা ত্রোফিশিং য়েন্থোকখি।

## ৩শুবা টিঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাংশঙ বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন (দিকেএ) জিরিবামনা শীন্দুনা টিম ৫না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ৩শুবা টিঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা সনামহি কছারনা এমআইটিএল জিরিবাম টিমবু পাঞ্জল ১৮–১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অসিদা ই অশালাতা দেবী, কাউন্সিল্লর, জেএমসি জিরিবাম, এন জয়চন্দ্র সিংহ, প্রসিদেন্ট, দিকেএ জিরিবাম, টিঐচ হেরা সিংহ, দোন্নর, এম ব্রজাকান্ত সিংহ, প্রসিদেন্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসন জিরিবামনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা সানামহি, কছার টিমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এমআইটিএল জিরিবাম টিমনা কাং কাপ্পা হৌখি।

সনামহি কছার অমদি এমআইটিএল জিরিবাম টিম অনীনা য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা সনামহি কছারনা এমআইটিএল জিরিবাম টিমবু পাঞ্জল ১৮–১০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এ ইবোতোন সিংহনা অম্পয়র ওইখি। অদুগা ই তোমচৌ সিংহনা স্কোরর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইখ্রবা সনামহি কছার অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা এমআইটিএল জিরিবামদা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর না মনা–মথুম য়েন্থোকখি। অদুগা সনামহি কছার টিমগী শান্নরোই ঐচ বেরামোহোন সিংহ চেকফৈ ১২ পান্দুনা অমদি এ ইবুংঙো সিংহনা লমথা ১২ পানদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেকফৈ অমদি বেষ্ট লমথাগী মনাসু য়েন্থোকখি।

নাকল অমরোমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাংশঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা থা সেপ্টেম্বর ২৩ দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ফার্ষ্ট ইলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিয়েল ৱুমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সনামহি কছার অসামনা ইচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ১০–৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা সনামহি কছার অসাম অমদি ইচেল ক্লব দিবোংগী টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা সনামহি কছার অসামনা ইচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ১০–৯ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ ইবোতোন সিংহনা অম্পয়র ওইখি। অদুগা এম কিরন সিংহনা স্কোরর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০ দা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবী অমদি সনামহি কছারগা শান্নরগনি।

## মিক্স মার্সিয়েল আর্ট চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ
মিক্স মার্সিয়েল আর্টকী ফাইট নাইট / কন্টেন্দর ফাইট / লীগ অমেচর /প্রোফেসনেল ইভেন্টতা নেসনেল /ইন্টরনেসনেল অমসুং ৬শুবা ইন্টরনেসনেল মিক্স মার্সিয়েল আর্ট চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ নভেম্বরগী ২৪–২৫ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা অসিদা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট / নেসনেল / ইন্টরনেসনেল লেলেভদা শরুক য়ানিংবা মার্সিয়েল আর্টিষ্টশিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদ মশাগী বাইও–দাটা, সার্টিফিকেট কোপীশিং, মেডিকেল ফিটনেস সার্টিফিকেট, পাস্পোর্ট, পাস্পোর্ট সাইজ ফোটো ২ অমসুং ঐচ ডি রিজোলুসনদা বেকগ্রান্ট হ্বাইট ওইরগা ফাইটিং পোজিসনদা নম্বা ফোটোগা লোয়নননা মণিপুর মিক্স মার্সিয়েল আর্ট এসোসিয়েসন, খুরাই পুথিবা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টতা পীশিনবিরকপা য়াগনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক ৭০০৫৬৮৯০০৩ দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## পোলো টুর্নামেন্ট মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ ইম্ফালদা লৈবা পোলো গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট হৌজিক ওইরিবা ঈশিং–নুংশিৎকী ফিভমনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

## সম্মর য়ুঠ ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোই অমদি অম্পয়র ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ঃ
থা অসিগী ৬তগী ১৯ ফাওবা আর্জেন্টিনাগী বুইনোস আইরসতা পাঙথোকখিবা ৩শুবা সম্মর য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা শান্নরোই অনী অমদি অম্পয়র ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। সম্মর য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়া নুপাগীদা শরুক য়ারুবা প্লেয়র অদুদি মিদ ফিল্ডর ওইনা শান্নবা রবিচন্দ্র সিংহ মোরাংথেমনি। অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা এম নিমাই মোইরাং থোয়া লৈকায়দগী নি। ইন্দিয়া নুপীগীদা শরুক য়ারুবা প্লেয়র অদুদি বিচু দেবী খারিবম অপোকপাগী মিং খারিবম রোমেন চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দগী নি। অম্পয়র ওইনা শরুক য়ারুবা নেপোলিয়ান সিংহ চনাবম খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী নি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কিগী মীওইশিং অমদি মশান্না অসিবু থৱায় য়াওজবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

7% TO 10% DISCOUNT
SANGAI TANK
শঙাই
10 YEARS GUARANTEE
SL/4119/23-9nov
প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
An ISO 9001:2015 Certified Company
Valid from 20th Oct. to 20th Nov. 2018

লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকচবা, ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না 'শঙাই' হায়না খঙনবা প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ তেঙ্কপু অতৈ মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎশিংগা চাংদম্নরবা মতুংদা ইশাগী ইরমদমগী পোত্থোক অসিবু শিজিন্নবিবগীদমক থাগৎচরি।

লোয়নননা ইরমদম অসিগী য়ুমথোঙ–য়ুমথোঙ খুদিংদা 'শঙাই' টেঙ্কপু শিজিন্নবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী চাওরবা কুম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা 'শঙাই' টেঙ্ক চাদা ৭ অমসুং ১০ তানা য়োঞ্জগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি তাং ২০–১০–২০১৮ দগী হৌরগা তাং ২০–১১–২০১৮ ফাওবা চত্থজগনি।



ফংবীগদবা সাইজ ঃ
লিটর ২০০, ৩০০, ৫০০, ৭৫০, ১০০০, ১৫০০ অমসুং ২০০০ নি।
খুদোংচাবা অসি হেদ ওফিস খক্তদনি।

মীয়ামগী সেবাদা– লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজ শঙাই প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
৮৪ / সোপ কম রেসিঃ কমপ্লেক্স (সুপরমার্কেট), লম্ফেলপাৎ







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*